থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নুপীগা নুপাগা মান্নরগা-হংসি নুপী মঙোন্দা



‘খুদুপ তরা শেৎপা নুপাগা খুদুপ মরি শেৎপা নুপীগা মান্নবা য়াবরা’? অঙাং ওইরিঙৈ ‘শন্দোক্লা তাকউ’ হায়দুনা মৈতৈলোনগী ক্বেসন পেপর’দা শোয়দনা হংলগদবা ৱাহং অমা ওইরম্মী, মৈতৈশিংগী পাউরৌ পাউতাক। মথক্কী ৱাহং অসি অদুগুম্বা পাউরৌ-পাউতাকশিংদুগী মরক্তা অমনি। অঙাং ওইরিঙৈদদি খঙখিদে- মসিনা তাক্লিবসি করিনো? নুপাগা-নুপীগা মান্নবা য়াবরা- মান্নফম থোক্তে হায়বা ইচম চম্বা পাউজেলদু ওইনা অদুম লৌনরগা লাকখি। ওজাশিংনসু অদুম্না তাক্লকখি, লাইরিকশিংদসু ইরমখি।

পুংকক চাউরকপদগী অতোপ্পা ৱাহায় অমা অমুক থেংনরক্লে- নুপা-নুপী রাইট মান্নে, নুপানা তৌবা ঙম্বদু নুপীনসু ঙম্মী, নুপীবু হন্থনা য়েংবা য়ারোই অসিনচিংবা। পাখং ফারকপদদি থেংনরক্লে- ইন্দিয়াবু খুবামনুংদা পায়শিন্দুনা থম্বা ঙম্বী নুপা মরায় অমা হেল্লবী ‘ইন্দিয়া গান্ধী’। হায়নরম্মী- ইন্দিয়া হায়বসি ইন্দিরানি, ইন্দিরা হায়বসি ইন্দিয়ানি। মদু ইন্দিয়াদদি অঙকপা ওইনা থোকখিদে। মরমদি ইন্দিয়া হায়বসি নুপীবু লাই ওইনা লাৎচবা ফুরুপ অমনি। মীওইবা খুন্নাইগী চাউখৎপগী মরুওইবা ইলিমেন্ট (মচল) অহুম- লৌশিং (নোলেজ), লন-থুম (ৱল্থ) অমদি শক্তি (পৱার)- লাই হাক্তক্তগী নুপীশিংনা পায়রকপা পোর্টফোলিওমক্তনি। সরস্বতি, লক্ষ্মী দেবী অমদি দুর্গাদেবী- ইন্দ্রদেবনা লাইশিংগী নিংথৌ ওইজরবসু, তাইবঙপানসিবু ঙাক্কবা (রুল তৌনবা) খ্বাইদগী মরুওইব পোর্টফোলিওশিং এদ্যুকেসন, ফাইনান্স অমদি ৱারফ্যার (দিফেন্স) হায়বদুদি নুপী মেম্বরশিংবু পায়হল্লকই। অদুগা, মদুগী তায়ওন্নবদা, মোদর্ন ইন্দিয়া অসিদনা অউনপোৎকীদমক নুপীবু ওৎ-নৈবা, মৈ থাদুনা হাৎপা, নুপীমচাশিংবু স্কুল চৎহন্দবা অসিনচিংবা মখল কয়াগী তৌহৈদবা থবক। মুসলিম লৈবাকশিংদসু মুসলিম লো’না য়াদে হায়দুনা নুপীশিংবু মায়খুমফিগী মরুমদা থমদুনা, মহৈ-মশিন তম্বগী হক ফংহন্দনা থম্বগী অচৌবা ৱাথোক অমা চহী কয়াদগী মায়োক্লরি। মুসলিম নুপীশিংবু মহৈ মশিন তম্বীবগী হক ফংহনগদবনি হায়বা খোল্লাউ লাউরুবগীদমক তালিবান’গী নোংমৈ মরু চাখিবী ‘মলালা’, অকি অখঙ কয়া মায়োক্লদুনা থৌনা ফনা লেপখিবগীদমক নোবেল প্রাইজ পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

নক্লা উরুবা থেংনরুবা খরদং পাউদমজবগী ৱানি। মালেমগী মফম কয়াদসু নুপীগা নুপাগা মান্নবা চাকথুং ফংদবগী ৱাথোকসি লৈরমগনি। মরম অদুনদি ইমান্সিপেসনওফ ৱিমেন হায়বা ঈহৌ অমা লৈবাক কয়াদা লাকখ্রিবা। ঈহৌ অসিগী মরুওইবা ইস্যুদি ‘শেল-থুম, লৈঙাক-সাসন, মহৈ-মশিন তম্বনচিংবা খুন্নাইগী ফংফম থোকপা হক খুদিংমক্তা নুপীসু নুপাগা মান্নবা হক ফংহনগদবনি’ হায়বা দিমান্দ অসিনি। ইমান্সিপেসন হায়বা ৱাহৈ অসিগী হৌরকফম ৱারু অদুগী ৱাহন্থোক্তি ‘খুবামনুংদগী নান্থোকপা’ হায়বনি। ৱারমসিদগী ঐখোয়না খঙই, মদুদি নুপীশিংনা নুপাশিংগা রাইট মান্নগদবনি হায়না তাল্লক্লিবা দিমান্দ অসিগী অশেংবা নুংগী ৱাখল্লোনদি নুপাশিংগী খুবামনুংদগী নান্থোকপা হায়বনি।

ইন্দিয়াগী সোসল রিফোর্মর কয়ানা চহী কয়াদগী লাউরকপা খোল্লাউ, বৃটিশ লৈঙাকপশিংনা হৌদোক্লম্বা রিফোর্মেসন কয়াদগী ইনিদয়ন নুপীশিংগী থাক, কুনশুবা চহীচাদদি ফনা ফজনা ইমান্সিপেসনগী ঈহৌ পন্দোল লোল্লমখি। অহোংবা কয়া লাক্লবসু লৈঙাক তাইবঙদদি, ইন্দিরা গান্ধীগুম্বদি লীশিংগী মনুংদা অমত্তনি য়াওরক্কদবা। অদুনা, লৈঙাক থৌশিল শেম্বদা মখোয়গী মফম ফংনবা অনৌবা দিমান্দ অমা তাল্লকই- ইন্দিয়াগী মরুওইবা লৈঙাক- মীহুৎ খন্নবা মীখল অনী- ‘লোক সভা’ অমদি ‘বিধান সভা’ অনীসিদা নুপীশিংগীদমক চাম্মদা কুন্থ্রাহুমদোই অখন্নবা সিট থম্বা। মসিবু ১০ শুবা কনষ্টিট্যুসন বিল হায়না খঙনৈ। কুমজা ২০১০ গী মার্চ ৯ দা রাজ্য সভা’না পাস তৌখ্রবা বিল অসি ঙসি ফাওবা লোক সভা’না ভোট লৌনবা ঙমদদুনা এক্ট ওন্দ্রি। এক্ট ওন্দ্রিবনিনা গ্রাম পঞ্চায়ট ইলেক্সন নত্তনা অতৈ ইলেক্সন’দা নুপীগী কোটা লৈত্রি। ৱাফম অসি ঙসিসু নৈনবগী, য়েৎনবগী মচাক ওইরি- ভোট লেপ্পদা নুপীগী রিজার্ভেসন থমগদবনি নৎত্রগা থল্লোইদবনি।

মতাঙসিদা হীরম খুদিংদা দিফরেন্ট ওপিনিয়ন লৈগনবা ঐগী মরুপ, ব্যুরোক্রেট ওফিসর ৱাহেংবম চন্দ্রকুমার’না হায়... ‘ইলেক্সনদানুপীগী রিজার্ভেসন, ৱাহন্থোক লৈতবা ৱাহৈনি, নুপী মশা মশানা নুপী মীরেপতা ভোট পীনিংদে, ইলেক্সন খুদিংমক্তা ভোটর তর্ন-আউৎ নুপী ভোটরনা হেনবনি, মখোয়বু পাম্লবা নুপী কেন্দিদেট’না মায় পাকফম থোক্তবরা, নুপী মখোয়নাফাও নুপী মীরেপ থাগৎনিংদ্রগা, নুপীগীদমক এম এল এ/এম পিগী সিট রিজার্ব থম্মু হায়বদি মরম চাবা ৱাফম্লা? নুপী মখোয় মশানা খনজৈ- নুপীদগী নুপানা মতিক চাবা হেল্লি। মখোয়বু নুপাদগী করিমত্তা তাদে হায়বসি নুপী মশানা য়াজরবকান্দা, চাদা ৩৩ রিজার্ভেসন থমদ্রবসু চাদা ৬০, ৭০ নুপীনা হেন্না কাগনি...’।

মাগীসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমা য়াওরি। ৱাফমদুনি মরুওইবা নুপী ওইবী অপাবশিংগী মফমদা থম্মোয় পাউদম ওইনা তমজনিংলুবা।

লৌশিং পুক্কে

# খুজিল কারক্তা চঙবা অমোৎপনা থোকহল্লকপা খুদোংথিবশিং

‘খুৎ-শা শেংনা হামদোকউ, খুজিল-খুয়া তেন্না অমসুং নান্না থম্মু’ হায়বসি মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুদা হেক হেক পীবা পাউতাক্লি। তশেংবসু খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা হায়বসি মহীক মতাই অমদি লায়না তীলনাশিংদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিংগী অহানবা খোঙথাংনি। অদুম ওইনমক খুৎ-শা ফনা শেংনা থম্লবসু খুৎতা পকপা মহীক পুম্নমক লৌথোকপা ঙমদে। মরম অদুনা খুৎ হাম্বগা লোয়ন-লোয়ননা খুজিল তেলহনবা অমদি লু-নানহনবসু তঙাইফদে।



খুজিল কারক্তা চঙবা মহীক-মতাই অমদি অমোৎপশিংনা লায়না কয়া পোকহল্লকপা য়াই। কুমজা ১৯৮৮ দা য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ দর্মাটোলোজিনা চথ্থিবা ষ্টদি অমদা বেক্টরিয়া লিশিং কয়ামরুম খুজিল কারক্তা চঙদুনা লৈ হায়বা খঙলকখি।

ফনা শেংনা খুৎ হাল্লবসু অহাপ্পা খুৎশেমগী খুজিল (অর্টিফিসল নেল) দা মহিক-মতাই কয়ামরুম পকই হায়বা ৱাফম অমসু অতোপ্পা ষ্টদি অমদগী খঙলকখি। খুজিল শাংবগা কনাগুম্বনা খুজিলদা ময়ানা হেক হেক চীকপা য়াওই। মসি খ্বাইদগী ফৎতবা হৈনবীনি।

খুজিল কারক্তা অমোৎপা অমদি মহীক-মতাই পকই হায়বা পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু হকচাং লু-নান্না থম্লবসু খোঙ অমদি খুৎকী খুজিলবুদি হেক হেক থৌশানদে। চাং নাইনা খুজিল



লোয়ননা খুজিল কারক্তা অমোৎপাঅমসুং মহীক-মতাই চঙলবদি মখল কয়াগী ইনফেক্সন তৌহল্লকপা য়াই। খুজিল ময়াগী উনশাদা চৈনাখোল ফাওরকপগা লোয়ননা পোমখৎলকপা নৎত্রগা ইথা-থাগৎলকপা তারবদি ইনফেক্সন তৌবগী খুদমনি। খুদোংচাদবা অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্ল বগীদমক য়াম্না তোয়না সাপোন নোইরগা খুৎ হামগদবনি। খুৎ হাম্বা খুদিংগী নেল ব্রশ অমনা খুজিলদা চঙবা অমোৎপশিং শেংদোকপসু তঙাইফদে। খুজিল ককপদা শীজিন্নবা নেল কট্টরনচিংবা পোৎলম খুদিংমক শীজিন্নরমদাইদা শেংনা চামথোক্কদবনি।

ককপা অমদি শেংদোকপগী থৌওংবু মীওই অয়াম্বনা থৌশানদে অমসুং লায়থোকই। কনাগুম্বা অমগী হকচাংগী ফীভম করি ওইরিবগে হায়বদু মীওই অদুগী খুজিল য়েংলগা ইরায়-লায়না খঙবা ঙম্মী। মরম অদুনা ডোক্তরনা মীওই অমগী হকচাং চেক তৌবদা খুজিলগী ফীভমসু হেক হেক য়েংই। খুজিল তেন্না ককপগী কান্নবা অমত্তং হায়বা তারবদি লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা হায়বসিনি।

চাং নাইনা খুজিল কক্ত্রবদি খুজিল মচি চঙলকপা য়াই অমসুং মনাক নকপা উনশাদা থিন্দৎতুনা চৈনাখোল ফাওরকই। মরুওইনা খোঙগী খুজিল শাংলবদি উনশাদা থিন্দৎতুনা ইনফেক্সন তৌহল্লকই।

অয়াম্বা মতমদা খোঙ-মোজা অমসুং খোঙউপ তোংবা মীওইশিং খোঙয়াদা হুমাং য়াম্না থোকপা মরম্না মহীক মতাই চেল্লকই। মরম অদুনা খুজিল তোয়না কক্ত্রবদি ইনফেক্সনগী রিস্ক হেনগৎলকই। য়ারিবমখৈ অমোৎপা খোঙ মোজা শীজিন্নরোইদবনি।

খুজিল-খুয়া ফজবা হায়বসি হকচাং লু-নানবগী খুদমনি। চাং নাইনা খুজিল কক্ত্রবদি ফঙ্গেল ইনফেক্সন তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। লোয়ননা খোঙশা কারক-কারক্তা চাথৎলকই।

মসিগীসু মথক্তা খুজিল শাংলবদি খুদি থীজিনবা মতমদা খুজিল তেকপা নৎত্রগা ঈ অশিবা চঙবা য়াওই। খুজিলদা ঈ অশিবা চঙবগী দাগফম অদু কোকহন্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙই।

চাং নাইনা খুজিল ককপগা লোয়ননা খুৎ-শা তরু-তনান্না থম্বসু মরুওই। য়ুনিভর্সিটি ওফ ভর্জিনিয়া স্কুল ওফ মেদিসিনগী রিছার্চরশিংনা চথ্থিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, খুৎ-শা শেংনা থম্বগী মতাংদদি সাপোন নোইরগা অমসুং ঈশিং শীজিন্নরগা খুৎ হাম্বদগী হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবনা কান্নবা হেল্লি। ইথানোল অমসুং ওর্গানিক এসিদ য়াওবা সেনিটাইজর শীজিন্নরবদি খুৎতা পকপা রাইনোভাইরস মপুং ফানা লৌথোকপা ঙম্মী। রাইনোভাইরসনা মরম ওইরদুনা মীওইবদা লোক থুংহল্লকপনি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খি, ইথানোল য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজরনা খুৎতা পকপা রাইনোভাইরস চাদা ৮০ রোম লৌথোকপা ঙম্মী। সাপোন নোইরগা খুৎ হাম্বদনা মহীক চাদা ৩১ দগী হেন্না লৌথোকপা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা ইথানোল অমদি ওর্গানিক এসিদ য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নরবদি শীজিন্নখ্রবা মতুং মপুং মরৈ ফাওবা খুৎতা মহিক পকপা ঙমদে।


# ইথিল পীবা ঙম্বা লুচিংবশিংবু ঈকায়খুম্নবা

## দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা লেপখিবগীদমক



শ্রী প্রনব মুখর্জী
প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া



শ্রী নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া

য়েন্থোকপা
নেসনল এৱার্দশিং
অলকোহোলিজম অমসুং সবষ্টেন্স (দ্রগ) এব্যুজ থিংনবগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌখিবগীদমক

ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং নুমীৎতা

2016 এৱার্দস

শ্রী প্রনব মুখর্জী
প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা

জুন ২৬, ২০১৬, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ১২.৩০,
ন্যু দিল্লিগী ভিজ্ঞান ভবনদা

লোয়ননা

শ্রী থাৱারচান্দ গেহলোট
মিনিষ্টর ফোর সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

শ্রী কৃষন পাল গুরজর
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর
সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

শ্রী বিজয় সম্পলা
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর
সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

অলকোহোলিজম অমসুং দ্রগ এব্যুজ থিংনবগী টোল ফ্রি ওইবা নেসনল হেল্পলাইন
1800-11-0031

ফোল্লো তৌরকউ :

দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট
মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
(www.socialjustice.nic.in www.pmindia.gov.in. www.mygov.nic.in

davp 38101/13/0028/1617